# কঙলৈ মাইম থিয়েটর রিপেটোরিগী প্লে ‘ ক্রাস বত এলাইব’



ভারতকী ওইনা অখন্ননা মাইম থিয়েটরগী সংস্থানশিংগী মনুংদা মাঙজিল থানা চৎলিবা কঙলৈ মাইম থিয়েটর রেপেটোরি ভারতকী অমদি ভারতকী ব্রাংমদা পাঙথোকপা অচৌ–অচৌবা ফেষ্টিভেল কয়াদা লেপ্তুনা শরুক য়াবতা নত্তনা মনা–মথুম অমদি থাগৎ ব্রাহৈ কয়া ফঙলকপা ঙমখ্রবা সংস্থান অসিগী হীমায় চুল্লিবা ডাইরেক্টর ডা. য়ুম্নাম সাদানন্দা সিংহ লেপ্পা লৈত্তনা ইরমদম অসিগী নৌরিবা অর্টিস কয়া অমা মান্নদবা হিরম কয়াদা হৈথোই শীংথোইরবা লৈবাক্লা শকখঙন্নরবা ওঝা গুরুশিংগী মতেংগা লোয়ননা মপুং ফারবা অর্টিস অমমম ওইন্নবা হোৎন্দুনা লাক্লি।

রিপেটোরি অসিগী থোইদোক–হেন্দোক্লা শীংথানিঙাই ওইবা অমা পনবা তারগদি ডাইলোক ( লোল) য়াওদবা মখলগী প্লে অসিদা লোল থোক্তবনা তাদবা ইনাওতোন সংস্থান অসিগী প্লে কয়াদা মরুওইবা কেরেক্টর রোলদা পফ্রোমেন্স পীদুনা ঙসিদি ষ্টেট লেভেল দতা নত্তনা নেস্নেল অমদি ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা মীয়াম্না শকখঙন্নরবা মাইম অর্টিস অমা ওইরক্লি।

অশুম্না দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর গভর্ণমেন্ট ওফ ইনিদয়ানা স্পোন্সর তৌদুনা জব্রাহার কলা কেন্দ্র ( জে কে কে) না প্রজেন্ট তৌদুনা জব্রাহার কলা কেন্দ্র জয়পুরদা পাঙথোকখিবা ‘ নেস্নেল মাইম ফেষ্টিভেল ২০১৯’ চৎলিবা থা অসিগী ৫ দগী ৭ ফাওবা পাঙথোকখ্রে।

ভারতকী ওইনা মাইম থিয়েটর তৌরিবশিংগী মনুংদগী অখন্নবা সংস্থান খরা খনগৎতুনা পাঙথোকখিবা ফেষ্টিভেল অদুদা মণিপুরগী ওইনা অমত্তা ঙাইরবা কঙলৈ মাইম থিয়েটর রিপেটোরিসু বার্তোন তৌরক্তুনা টিম অমা শরুক য়াখি।

পদ্মশ্রী নিরজন গোশ্বমি ( কোলকটা)না ডাইরেক্সন পীবা “ এ মেন ব্রিদ হিস দোগ” ( মিনট ১০), মিনট ২৭ শাঙবা সুনিল পনেকনিয়ানা ডাইরেক্সন পীবা “ ধবা” অমদি য়োঘেন্দ্র সিংহ পারমরনা দিজাইন অমদি ডাইরেক্সন তৌবা “ মেরী তাল”অমসুং কে এম টি আর ( মণিপুর)গী ডাইরেক্টর ডা. য়ুম্নাম সদানন্দা সিংহনা ডাইরেক্সন



পীবা প্লে “ ক্রাস বত এলাইব” হায়রিবা মিনট ২৫ শাঙবা মাইম প্লে অসি ফেষ্টিভেল অসিগী অরোয়বা নুমিৎতা উৎখি।

কে এম টি আরগী থোইদোক হেন্দোক্লা মীয়াম্না পাম্নরবা অমা ওইরিবা সেনিয়র ফেলো মাইম ( এম ও সি) ফঙখ্রবা য়ুম্নাম লীদর সিংহ অমদি স্কোলরশিপ হোল্ডর ইন মাইম ( এম ও সি) ফঙখ্রবা এম ইনাওতোন অনীগী পফ্রোমেন্সনা ওডিতোরিয়ম অদুদা তিনলিবা মীয়ামগী পূক্লিং মপুং ফানা চীঙশিনবা ঙমখি।

কে এম টি আরগী ডাইরেক্টর ডা. য়ুম্নাম সদানন্দনা ফোঙদোকরকপদা কে এম টি আরনা অতেনবা অমদি অশাঙবা মখলগী প্লে কয়া অমা মায় পাক্লা পুথোকখ্রে। ‘ ক্রাস বত এলাইব’ হায়রিবা অসি অতেনবা মমখলগী প্লে অসি ইন্টরটেমেন্টতা য়ুম্ফম ওইরগা পুথোকপনি।

ইন্দিয়াদা লৈরিবা ময়াম অসিদগী তাথদনা পৃথিবীগী চাঙদম্নবা য়ানবা হোৎনবনি। প্লে অসি ইন্টরটেমেন্ট ওইরগসু ক্লাস খূদিংমক্কী ভাবোকশিংনা য়েংবা য়ান্নবা হোৎনবনি। লোয়ননা প্লেশিদা মরুওইনা ইলুজন মাইমগী টেক্নিক কয়া শীজিন্নদুনা হকচাংগী তৌবা ঙম্বা লেঙ–ওৎপানচিংবা শীজিন্নদুনা পুথোকপা প্লে মখল অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

ফেষ্টিভেল অদুদা উৎখিবা কে এম টি আরগী প্লে ‘ ক্রাস বত এলাইব’ হায়রিবা অসিগী শন্নপ্পা ব্রারিদি– চোপর অমদা মেন মেছিন ( রোবোট) কয়া অমা পুরদুনা লাকপদা খরা চম্বা খূঙ্গংগী চীদাই অমদা কায়দুনা তারকপা অদু খূঞ্জা অমনা থেঙন্নদুনা য়েংবা



মতমদা ময়ামদুগী মনুংদা অহিংবা মেন মেছিন অমা খুঞ্জা ( লীদর)না থেঙনখি।

মদুদা খূঞ্জানা মেন মেছিন (রোবোট) অদু মফম চাবা অমদা পুরক্তুনা মাগী অতেক– অকায় অদু শেম শারবা মতুংদা মেছিন অদুগা লোয়ন্নরকপা রিমোট কন্ট্রোল অদু থবক শুবা হৈবা জগোয় শাবনচিংবা খুদিংমক রিমোট অদুগী মতেংগা লোয়ননা পাঙথোকপা য়ারম্মী। অসুম্না মখোয় অনী মতম খরা নুংঙাইনা লোয়ন্নরবা মতুংদা মাবু লৌবা লাক্তুনা মফমদু থাদোক্তুনা চৎখি।

হায়রিবা প্লে খূদিংমক্তা ইরমদমগী ওইবা ফিজেৎ চকচা, ঈশৈ–জগোয়, থাঙ–তানচিংবা উৎন্নবা হোৎন্দুনা উৎলিবা অসিনা ওইরি। ফেষ্টিভেল অসিগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা ব্রার্কসোপ্তা ডাইরেক্টর ডা. ব্রাই সদানন্দাগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবা এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর টি রাঘুমনিনা কন্দক তৌখি। লোয়ননা ব্রার্কসোপ অদুদা শরুক য়াখিবা ট্রেন্নিরশিংনা মখা তানা কে এম টি আরদা তম্নিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোক্লরকখি।

লোয়শিনলকপদা কে এম টি আরনা নেস্নেল অমদি ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা ইন্দিয়াগী মাইমগীদমক লৌরিবা থৌদাং শীংথানিঙাই ওই।

“ ক্রাস বত এলাইব” হায়রিবা প্লে অসিদা মেন মেছিনগী প্রফ্রোমেন্স পীখিবা– ইনাওতোন, খূঞ্জাগী শক্তম লাঙখিবা– য়ুম্নাম লীদর সিংহ, ম্যুজিকতা– টি রঘুমনি সিংহ অমদি এল মেঘা শর্ম্মানি। এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টরনা– টি রঘুমনিনি। ডাইরেক্টরনা ডা. য়ুম্নাম সদানন্দ সিংহনি।

## ঐচ রাজেসে

# মহৈরোইশিংগী খুদোল




TITLE,:SCENERY
Tanushri Gurumayum
Class: V
Sec : B ,
Roll No-28
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM



TITLE,:HOUSE
Tinlungoikim Haokip
Class:V
Sec :B,
Roll No- 35
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM






TITLE,:PANDA
Dayananda Sarangthem
Class: IV
Sec : B ,
Roll No-8
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM



TITLE,:SHIP
Dhanaraj Laishram
Class:V
Sec :A,
Roll No- 9
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM






TITLE,:KAKASI
Khundrakpam Prithiraj
Class:VI
Sec : B,
Roll No-10
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM



TITLE,: COW
Malvyn Rajkumar
Class:V
Sec :A,
Roll No-19
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM






TITLE,: TWO BIRD
N. Jamesbond Singh
Class:III
Sec : B,
Roll No-26
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM



TITLE,:SCENERY
Omshant Ingudam
Class:III
Sec :B,
Roll No-27
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





TITLE,: SCENERY
Ovama Loitongbam
Class :IV,
Sec : B,
Roll No-25
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





TITLE,: SCENERY
Ritika Oinam
Class: IV
Sec : B,
Roll No- 27
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





TITLE,: DEER
Selvi Phanjoubam
Class: II
Sec : B,
Roll No-31
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM






TITLE,: LADY
Treaty Moirangthem
Class: VI,
Sec : B
Roll No-32
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM



TITLE :BIRDS
Ayushi Sharma
Class: VI,
Sec : B,
Roll No-40
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN






TITLE : PRINCESS
Bansi
Class: IV
Sec : D,
Roll No-20
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN




TITLE,: SCENERY
Jaysya Ch.
Class:VII
Sec :C
Roll No-37
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN




TITLE : BARBIE
Lanchenbi W.
Class: IV,
Sec :D
Roll No-5
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com